# ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা অহামেদবাদতা জিকা ভাইরসকী কেস অমা থেংনরে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ঃ*

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা অহামেদবাদতা জিকা ভাইরস থেংনখ্রে। মদুগী মতুংদা লৈঙাক্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

হেল্থ মিনিষ্টর (ষ্টেট) অনুপ্রিয়ানা ঙসি লোক সভাদা অইবা চেরোল পীদুনা ফোঙদোকখিবদা জিকা ভাইরস হায়রিবা লায়না অদু ভাইরস অমনা থোকহনবা অমসুং এদিজ হায়না খঙনবা কাঙ মখল অমনা শন্দোকপা লায়না অমনি।

ইন্দিয়াদা লায়না অদু শন্দোরকপা থিংননবা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎলি। হৌজিক ফাওবদা অহামেদবাদতা জিকা ভাইরসনা শোকহনবগী কেস অমা থেংনরে। ইং ২০১৭কী জনুৱারি থাদগী রুটিন ওইনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা চাংয়েং তৌবগী থবক চথুরি হায়খি।

পায়খৎফম থোকপা থৌশিলশিংগী শরুক অমা ওইনা মীওইবদা লায়না অদু শন্দোরকপা থিংনবা য়েংশিল্লি। অহামেদবাদ অমসুং গুজরাটতা লৈবা কাঙশিংদা লায়না অদু পোজিটিব ওইবা থেংনদ্রি।

লুচিংবী অদুনা হায়, লৈঙাক অসিনা জিকা ভাইরসনা থোকহনবা লায়না মখল অদু থেংননবা চপ চাবা থবক পায়খৎলে। চাং নাইনা পায়খৎলিবা থৌশিলশিং অদু য়েংশিল্লি হায়খি।

জিকা ভাইরস থেংননবগীদমক এক্সন প্লান শেম শাদুনা লৈরে। ষ্টেট খুদিংমক্তা কাঙ অমসুং হয়িংনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে হায়খি।

কাঙ অমসুং হয়িংনা শন্দোকপা মরু ওইনা এদিজ কাঙনা থোকহল্লকপা য়াবা অনাবশিংগী মতাংদা গাইদ লাইন কয়া পীখ্রে। ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট অমসুং হিথাং ফমশিংদা জিকা ভাইরস লায়নানা শোকহনবনি চিংনবা লৈরবদি খুদক্তা পাউ পীরক্কদবনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী ওইনা অদুগুম্বা লায়না অদু চাংয়েং তৌননবগীদমক লেভোরেটোরি ২৩ মশক খঙদোক্কুনা হাংদোক্কুনা থম্বগা লোয়ননা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লে হায়রি।

# লিশিং ২ চৎপী শেনয়েক লৌথোকখিনবগী থৌরাং লৌতে ঃ জেটলি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ঃ*

দিমোনিটাইজেসন মতুং নৌনা পুথোকখিবা লিশিং ২ চৎপী শেনয়েক লৌথোকখিনবগী ৱাফম লৈতে হায়না ঙসি য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইং ২০১৬কী নভেম্বর ৮দা ১০০০ চৎপী অমসুং ৫০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবগী হেক মতুংদা অনৌবা ২০০০ অমসুং ৫০০ চৎপী নোটশিং পুথোকখিবনি। নৌনা পুথোকখিবা ২০০০ চৎপী চৎনহন্দবগী ৱাফম লৈতে হায়না ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

চৎনহনখিদ্রবা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপীশিং রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী কষ্টদিদা হল্লকখ্রে। পুন্না দিসেম্বর ১০ ফাওবদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১২.৪৪ দিপোজিট তৌরকখি।

চৎনহনখিদ্রবা শেনয়েকশিং অদুগা চান্ননা অনৌবা শেনয়েক পুথোকপগী তাঙইফদবা লৈ। চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১৩ ফাওবদা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১২ রোম অনৌবা শেনয়েক্তা থাদোকখ্রে।

জনুৱারি থাগী তাং ২৭ ফাওবদা লৈঙাক অসিগী মখাদা অনৌবা শেনয়েক লুপা লাক্ষ ক্রোর ৯.৯২ থাদোকখি হায়খি।

শেনয়েক খরা চৎনহনখিদবা অদুনা থোকহনখিবা খুদোংচাদবশিং হৌজিক্তি মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লে। লৈবাক অসিগী জি দি পিগী চাংসু ৱাংখৎলক্লে। অদুগুম্বা থৌশিল অদু লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা–থুমজা, ব্লেক মনি অমদি টেরোরিষ্টশিংদা ফন্দ থাদবা লাকশিন্নবগী পান্দমদা পায়খৎখিবনি।

থৌশিল অদুনা বেঙ্কতা শেল দিপোজিট তৌরকপগী চাং হেনগৎহনবা ঙমখ্রে। হেন্না দিপোজিট তৌরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্টরেষ্ট রেট হন্থহনবা ঙম্লগনি। বেঙ্কশিং মখোয়গী থবক থৌরমশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

# য়েমেন সমুদ্র খোঙবানদা রেইদ চথুবদা সোমালিয়া মচা ৩১ শীরে



*...., মার্চ ১৭ঃ*

হাওথিশিংনা খুদুম চনবা হোদৈদা হায়না খঙনবা য়েমেনগী সমুদ্র খোঙবানদা চংশিল্লকখিবা হি অমদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা হেলিকোপ্টরনা রেইদ চথুবদা সোমালি রিফ্যুজি ৩১ শীখ্রে। কোষ্ট গার্দ মুহম্মদ অল এলেনা পাউ মীশিংদা ফোঙদোকখিবদা য়ু এন ঐচ সি আরগী চে চাংশি য়াওবা ওফিসিয়েলশিংনা রিফ্যুজিশিং অদু য়েমেনদগী সুদান তম্না পুননবা হোৎনরিঙৈদা বাব অল মনদেব ষ্ট্রেট মনাক্তা অপাচি হেলিকোপ্টরনা এটেক্ট চথুরকখিবনি হায়রি।

য়ু এন ঐচ সি আরগী ৱাঙাংলোই সাবিয়া মন্তুনা ফোঙদোরকখিবদা এটেক্ট অদুদা রিফ্যুজি কয়া শীখ্রে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক চপ চাবা মশিং খঙবাঙমদ্রি। থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই।

রিফ্যুজিশিং অদু হোদৈদা সমুদ্র খোঙবানদগী ভেসেল অমদা চৎখিবনি। থৌদোক অদুনা লমদম অদুদা কয়া য়াম্না তমথিরবগে হায়বদু তাক্লি হায়খি।

মিস্তুনা হায়, রিফ্যুজিশিং অদু য়েমেনদগী চংজফম থিরুনবগীদমক অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎননবা হোৎনবনি। হি অদুবু ওপরেট তৌখিবা ইব্রাহিম আলি জেয়টনা হায়, রিফ্যুজি ৮০দি কনবা ঙমহৌরে। ইন্টর্নেসনেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন (আই ও এম)গী ৱাঙাংলোই অমনা জেনেভাদা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুদা লৈখিদবা রিফ্যুজিশিংগী মশিং ৩১দগী হেল্লম্বা য়াই।

হেলিকোপ্টরনা য়েমেন থাদোক্লবা হোৎনখিবা হি অদুদা এটেক্ট চথুরকখি হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংলে। থৌদোক অদুদা হিংহৌরবা মীওই ৮০ হোদৈদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

এটেক্ট অদু করিগীদমক চথুরকখিবনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। রেদ সিগী মনুং চন্না লৈবা হোদৈদা ইরানগা চুংশিন্নবা হাওথি ফাইটরশিংনা ইং ২০১৪দগী কন্ট্রোল তৌদুনা লৈবা মফমনি। মদুতা নত্তনা ফাইটরশিং অদুনা য়েমেনগী কোনুং সানাসু খুদুম চল্লিবনি।

সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবু অমা ইং ২০১৫দা শেমদুনা হাওথি অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট আলি অব্দুলাগী লান্মীশিং থেংননবা থবক পায়খৎলি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অব্দুলা অমসুং হাওথি রিবেলশিংনা য়ুমথংনরিবা লৈবাক সাউদি অরাবিয়াদা মিসাইল কয়া কাপশিনখিবসু লৈখ্রে।

রেদ সি ফাওনা নুমিৎ খুদিংগী য়ুরোপ তম্না থাও বেরেল মিল্লিয়ন ৪ রোম পুদুনা চৎলিবনি হায়রি।

# অফগান মিলিটরি বেজতা কার বোম পোকখায়খ্রে

*খোষ্ট, মার্চ ১৭ঃ*

অফগানিস্তানগী নোংপোক থংবা প্রোভিন্স খোষ্টতা ঙসি সুসাইদ কার বোম অমা পোকখায়খ্রে। লান্মীগী বেজ মনাক্তা পোকখায়খিবা থৌদোক অদুদা লান্মী অমা শীখ্রে, অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

নোংমৈ পায়বা মীওই ৪নসু বেজ অদুদা এটেক্ট চথুরকখি। মদুদা লান্মীনসু চপ চানা খুৎ হনখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি। বেজ অদুদগী মিটর ৫০ রোম লাপ্না লৈবা মফম অদুদা সুসাইদ কার বোম পোকখায়রকখিবা অদুনা মনাক নকপদা লৈবা দুকান কয়া অমাং অতা থোকহনখি। লোয়ননা মাইল কয়া লাপ্পা মফমদসু পোকখায়বগী অহৌবা মখোল তাখি হায়না সবারি দিষ্ট্রিক্টকী লুচিংবা অকবর জদ্রাননা ফোঙদোরক্লি।

লান্মীগী বেজ অদুগী মনাক্তা বোম পোকখায়খ্রবা মতুং নোংমৈ পায়বা মীওই ৪না বেজ অদুদা এটেক্ট চথুরকখি। পুং ১ রোম চুপ্না নোংমৈ কাপ্পখিবা অদুদা লান্মীনসু চপ চানা খুৎ হনখি। থৌদোক অদু করম্বা কাংবুনা থোকহনখিবনো হায়বা হৌজিক মক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। মমাঙ চয়োলদসু খোষ্ট প্রোভিন্সতা লৈবা মিলিটরি এয়ার বেজ অদুদা এটেক্ট চথুরকখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

# ফ্রান্স স্কুলদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ৪ শীরে, ১০ শোক্লে

*পেরিস, মার্চ ১৭ঃ*

ফ্রান্সকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা হায়স্কুল অমদা চহী ১৬ লোম শুরবা মহৈরোই অমনা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পদা মহৈরোই ৩ অমসুং থৌদোক অদুবু খাম্নবা হোৎনখিবা প্রিন্সিপাল শীরে।

ভিক্টিমস এফিয়ার্স মিনিষ্টর জুলিট মিদেলনা বি এফ এম টেলিভিজনদা ফোঙদোকখিবদা মীওই ৪ কাপ্পুনা হাৎলম্লে। অদুগা ১০না অশোক অপন নংহনখ্রে।

গ্রাস প্রোসিক্যুটরনা হায়, শোক্লবশিংগী মনুংদা কা হেন্না মীপায়বা পোকপা মীওই কয়া য়াওরি। শোক্লবশিং অদু শীবা য়াবগী খুদোংথিবদি লৈত্রে হায়রি।

প্রোসিক্যুটর ফাবিনি অদজেরিনা হায়, রাইফল, পিষ্টোল অমসুং অপিকপা গ্রেনেদ পায়বা নহা ওইরিবা মীওই অমনা ক্লাস রুমদা চংশিল্লত্তুনা এটেক্ট অদু চথুরমখিবনি।

মহাকনা এটেক্ট অদু চথুরম্লবা মতুং মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চৎখি। কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মহাকপু ফাননবা হোৎনখিদে। অদুম ওইনমক তুংদা মীয়াম্না থি–হুম্বগী থবক চথুখি হায়রি।

# ত্রিভেন্দ্র সিংহ রাৱত উট্টরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি



*দেহরাদুন, মার্চ ১৭ঃ*

আর এস এস এসতগী হৌরকখিবা ত্রিভেন্দ্র সিংহ রৱাত বি জে পি লেজিসলেটিব পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবগা লোয়ননা ঙসি থাংজ নুমিৎতা উট্টরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

বি জে পিগী নৌনা খল্লবা লুচিংবা অদুনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা পার্টি অদুগী লুচিংবশিংগা উন্নখি। বি জে পি পার্টিগী লুচিংবা অমিত সাহ য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা রাৱতপু ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইননবা ৱারেপ লৌখি।

রৱাত দেহরাদুনদা লৈবা পেরদ গ্রাউন্দদা হৌনবী মতুং ইন্না ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওইনবা ৱাকশ লৌগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং অমিত সাহ লেপথোকখিবা থৌশিল অমগী মখাদা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি।

উট্টরপ্রদেশতা বি জে পিনা চাওনা মায় পাকখিবগুম য়ুমথংনরিবা ষ্টেট উট্টরখন্দদসু বি জে পিনা চাওনা মায় পাকখি। উট্টরপ্রদেশকী ওইনসু চীফ মিনিষ্টরগী মিং অথুবা মতমদা লাউথোরক্লগনি হায়রি।

বি জে পিনা লৈঙাক শেমখ্রবা গোৱা অমসুং মণিপুরদদি লুচিংবা ওইগদবশিংগী মিং লাউথোকপগা লোয়ননা ৱাশক লৌখ্রে। লোয়ননা হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেমখ্রে হায়রি।

উট্টরপ্রদেশকী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওইগী মিং হয়েং লাউথোক্লবা য়াই হায়রি।

ত্রিভেন্দ্র রাৱত আর এস এস এসনা শৌগৎপদা নত্তনা বি জে পি পার্টিগী লুচিংবা অমিত সাহনসু চাওনা শৌগৎলি। ইং ২০১৪গী নেসনেল ইলেক্সনদগী হৌনা রাৱতকা পার্টিগী লুচিংবশিংগা অফবা মরী লৈনরকখি।

অদুগুম্বা নেসনেল ইলেক্সন অদু থেংনবদা রৱাত চাওনা থৌদাং লৌখিবা মীওইনি। মহাক মিনিষ্টর অমা ওইনা চহী কয়াগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা মীওইনি। সিট ৭০ লৈবা উট্টরখন্দদা বি জে পিনা সিট ৫৭ ফংদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক শেন্নগনি। ষ্টেট অদুগী কোনুং দেহরাদুনদা লৈবা পেরট গাউন্দদা রৱাত উট্টরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়রি।

# ঝরখন্দদা মিদ দে মিল লৈতে অঙাংশিংনা উচি, খৈরোই ফারি

*সাহেবগন্স, মার্চ ১৭ঃ*

ঝরখন্দগী সাহেবগন্স দিষ্ট্রিক্টকী রাজমহল হিলসকী মনুং চনবা চুহাপহার হায়না খঙনবা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দবা খুঙ্গং অদুদা লৈবা পিক্কি পহারিল কৌবা অঙাং অমনা হিংননবগীদমক উচি অমসুং খৈরোই ফাবগী থবক তৌরি।

খুঙ্গং অদুদা লৈবা প্রাইমারি স্কুল অমদা মহাক চহী ৫ শুরকপদগী মহৈ তম্লকখিবগী রেকোর্দ লৈ। লৈঙাক্কী দেটা মতুং ইন্না হায়রিবা মহৈরোই অদুগী মিংদা চানবা চিঞ্জাক চেং, মনা মশিং অমসুং পোৎলম কয়া পীরি হায়বগী রেকোর্দ লৈ।

তশেংনা হায়রবদি পিক্কি কৌবী নুপীমচা অদুনা চানবা চিঞ্জাক অমত্তা ফংবা লৈখিদে। মহাক্না হিংননবগীদমক উচি, খৈরোই অমসুং থেবা তানদুনা চাননবা হোৎনরি।

লৈবাক অসিগী ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী বজেট এলোকেসনদা লুপা ক্রোর লিশিং ১০ কায়থোক্তুনা মহৈ তম্ফমশঙ লাক্ষ ১১.৫তা লৈবা অঙাং ক্রোর ১০.০৩দা চানবা চিঞ্জাক পীননবা হোৎনখি। সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না অঙাংশিংদা চানবা চিঞ্জাক পীননবগীদমক নোংমদা অঙাং ১দা লুপা ৪দগী ৬ ফাওবগী চাংদা কায়থোক্লি।

হংবা য়ারিবা ৱাহংদি থৌশিল অদু লৈরবসু পিক্কিনা চাননবগীদমক লম্লক্কী শাশিং তানবগী থবক চথুরিবা করিগীনো। ইং ১৯৯৫তগী হৌনা মিদ দে মিলগী স্কিম পায়খৎতুনা মহৈ তম্লিবা অঙাংশিংদা চিঞ্জাক ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎলকখি।

প্রাইমারি অমসুং অপ্পর প্রাইমারিগী থাক্তা মহৈ তম্লিবা অঙাংশিংদা চানবা চিঞ্জাক চপ চানা ফংহন্নবা থৌশিল অদু পায়খৎখিবনি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈবা অঙাংশিংদা চরা হেনবা নত্রগা চাবা ৱাৎপগী অরুবা ফিভম লৈহন্দনবা থৌশিল অদু পায়খৎপনি।

ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা হায়রিবা স্কিম অদুগীদমক ফন্দ কয়া কায়থোক্তুনা থাদরি। থাদরিবা শেনফমশিং অদু সেন্টরনা চাদ ৬০ অদুগা ষ্টেটনা চাদ ৪০ পুথোকপনি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৮গী ওইনদি সেন্টরনা চাদ ৯০ অদুগা ষ্টেটনা চাদ ১০ পুথোক্লি। অদুগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইনদি সেন্টরনা চাদ ১০০ পুথোকপনি হায়রি।

# ষ্টেট মঙাগী মীখলদা ই ভি এম টেম্পরিং তৌই হায়বা ৱাফম ইলেক্সন কম্মিসননা য়াখিদ্রে





*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ঃ*

মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অকি অখঙ য়াওদনা পাঙথোকখিবদা শীংনরকপগী ৱাফম লৈতে। ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন টেম্পরিং তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে হায়না ইলেক্সন কম্মিসন (ই সি)না ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইনিদয়ানা হায়, ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং টেম্পরিং তৌবা য়াদনবা চপ চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। ষ্টেট ৫ গোৱা, মণিপুর, পঞ্জাব, উট্টরপ্রদেশ, অমসুং উট্টরখন্দগী মীখল লোইখ্রবা মতুং পোলিটিকেল পার্টি খরনা ই ভি এম টেম্পরিং তৌরম্বা য়াই হায়বগী ৱাকৎ থাঙ্গৎলকখি।

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী লুচিংবী ময়াৱাতিনা য়ু পিদা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী ফল লাকখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎলকখি। ইলেক্সন কম্মিসননা ঙসি পাঙথোকখিবা মীখলগী প্রোসেসশিং অদুদা য়েৎননিংঙাই ওইবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ইং ২০০১গী মীখলগী মতাংদসু মতম অদুদা হায় কোর্টতা ৱাকৎলকখিবা লৈখি। কোর্টনা মতম অদুদা শীজিন্নখিবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং অদু খ্বাইদগী ফবা অমসুং চেকশিন থৌরাং চপ চানা লৌখৎলবা দিভাইজ অমনি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা ই ভি এমশিং অদু শীংথানিংঙাই ওইবা অমদি টেম্পরিং তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈত্রবা অমনি হায়নসু দিল্লি হায়কোর্টনা ইং ২০০৯দা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

দিল্লি হায়কোর্টনা মতম অদুদা ই ভি এম মেছিনগী মতাংদা ই সি আইনা পীরকখিবা পাউখুম অদু য়াবগা লোয়ননা ৱায়েল পীখি। মদুগী মতুং ই সি আইনা ভি ভি পেট হৌদোক্তুনা ইং ২০১২দগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

ভিভিপেট পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কা য়ান্নবা ৱাফম অমা পুরক্কবা মতুং শেম শাখিবনি। ই ভি এমগীদমক শেমগৎখিবা সোফটৱেয়র অদু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী বেল ইঞ্জিনিয়ার কাংলুপ অমনা অয়াবা পীরবা মতুং পায়খৎখিবনি। এটোমিক ইন্নর্জি মিনিষ্ট্রিনসু অয়াবা পীখিবা লৈখ্রে।

ইঞ্জিনিয়র দিজাইনর ২ / ৩গী কাংবু অমনা সোফটৱেয়র অদু শেমগৎখিবনি। মদুদা খাইদোক খাইজিন তৌবগী ৱাফম লৈতে। সোফটৱেয়র দিজাইন অদু মপুং ফানা শেমগৎলবা মতুং সোফটৱেয়র অদু মনিং মখা তম্বা টেষ্টিং গ্রুপ অমনা চাংয়েং তৌহনখিবনি হায়রি।

ফিভম অদু য়েংলগা ই ভি এমদা নমথাক তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে। মায় পাক্লা ইভালুয়েসন তৌরবা মতুং চৎনবা য়ারবা থাক্তা মেছিন অদু পুথোকপনি হায়খি।

সোফটৱেয়র অদুগী দিভাইস মতুং ইন্না ভোটর অমনা অমুক্তগী হেন্না ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা লৈহন্দে। মেছিন অদুগী বেলোট য়ুনিটনা ভোটরশিংনা নম্লকখিবা ভোট অদু চপ চানা য়েংশিল্লি। অদুগুম্বা বেলোট অদু মথৌ তৌরিবা প্রিসাইদিং ওফিসার অমনা কন্ট্রোল তৌবনি হায়রি।

# চৎনখিদ্রবা শেল লুপা ক্রোর ১ মীওই ৫গা লোয়ননা ফারে

*মুম্বাই, মার্চ ১৭ঃ*

মুম্বাইগী সুবরবান মুলুন্দদা লৈবা ফাইনান্স কম্পেনি অমদগী চৎনহনখিদ্রবা শেল পুন্না লুপা ক্রোর ১ রোম ফারে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

ফাইনান্স কম্পেনি অদুগী থৌমী অনী য়াওনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই ৫ ফারে। সুবরবান বন্দ্রাদগী য়ুমশকৈশ নুমিৎতা চৎনখিদ্রবা শেল লুপা ক্রোর ২ ফাগৎখিবগী হেক মতুংদা নৌনা শেল ফাবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মুলুন্দদা লৈবা পরমেশ্বরি প্লাজাদগী চৎনখিদ্রবা শেলশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি। মখোয়না অরিবা শেনয়েকশিং অদু ঙরাং নুমিদাং অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরমখি হায়না সচিন পতেলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অরিবা ৫০০ চৎপী ৯৯৬৪ অমসুং ১০০০ চৎপী ৪৯৯৮ বেঙ্ক নোটশিং অদু ফাবা ঙমখ্রে। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অনীদি ফাইনান্সিয়েল কম্পেনি অদুগী থৌমীনি।

মীওই ৫ অদু পুলিসনা অরিবা শেনয়েকশিং অদু ফাগৎপা মতমদা ওফিস অদুদা লৈরমখিবনি। মীওইশিং অদুনা করম তৌনা অরিবা শেনয়কেশিং অদু ওফিস অদুদা লৈরল্লিবনো হায়বা ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মখোয় পুলিসনা ফাখিবনি হায়নসু পতেলনা ফোঙদোরক্লি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি হরেস তেস মেহরি, ভিপুল জেন, মলাই দোসি, কুং পতেল অমসুং কৃষ্ণনদরনি হায়রি। অতোপ্পা সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা ফারবা মীওইশিং অদু ওফিস অদুদা অতোপ্পা করবার অমা চথনবা হোৎনরম্বশিংনি।

মখোয়না করম্বা থৌদাং লৌখিবগে হায়বদু খঙদোক্লবা থিগৎপগী থবক চথুরি। লোয়ননা ফারবা অরিবা শেনয়েকশিং অদু করম তৌনা মফম অদুদা য়ৌরকখিবনো হায়বদুসু খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়খি।



## GAS TODAY

**R & H INDANE**
Booking upto .......01/12/2016
Valid from ........... 08/11/2016
Stk ................................612
Timing........8.00 to 11.00 a.m

**LAMBODARA INDANE**
Booking upto .......24/01/2017
Valid from ........... 16/01/2017
Stk ......................612 (DBTL)
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......28/11/2016
Valid from ........... 26/11/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......14/01/2017
Sl. No. Upto 48850
Valid from ........... 06/12/2016
Stk ................................400
First Come First Serve

**LAMSANG GAS**
Booking upto .......29/11/2016
Valid from ........... 25/11/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**HRANGCHAL GAS**
Booking upto .......12/01/2017
Valid from ........... 29/12/2016
Stk ................................612
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**M M GAS**
Booking upto .......12/12/2016
Valid from ........... 25/11/2016
Stk ......................918 (DBTL)
Timing........7.00 to 11.00 a.m

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......14/01/2017
Valid from ........... 13/12/2016
Stk ................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto .......07/11/2016
Valid from ........... 12/10/2016
Stk ......................900 DNSC
Timing......7.30 am to 12 noon

**ATHOKPAM INDANE**
Booking upto .......20/12/2016
Valid from ........... 30/11/2016
Stk ................................918
Timing........7.00 to 10.00 a.m
Submit Aadhar Card

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto .......20/01/2017
Valid from ........... 27/12/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......26/11/2016
Valid from ........... 23/11/2016
Stk ...........306, Rate : 900.50
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......15/12/2016
Valid from ........... 28/11/2016
Stk ................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m
Peisa Achoiba Pubirak-u

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto .......30/11/2016
Valid from ........... 24/11/2016
Stk ................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**RBD INDANE**
Booking upto .......28/12/2016
Valid from ........... 13/11/2016
Stk ................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**KHONGNANG GAS, BISHNUPUR**
Booking upto .......18/08/2016
Sl. No. 1517 to 1719
Valid from ........... 16/08/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 a.m



**সনা–সুদোকু– ৮০৭ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 7 | 6 | 2 | 4 | 9 | 1 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 6 |
| 2 | 6 | 4 | 1 | 5 | 9 | 7 | 3 | 8 |
| 4 | 2 | 6 | 9 | 7 | 5 | 3 | 8 | 1 |
| 5 | 7 | 1 | 8 | 3 | 6 | 4 | 9 | 2 |
| 3 | 9 | 8 | 4 | 1 | 2 | 6 | 5 | 7 |
| 6 | 8 | 2 | 3 | 9 | 1 | 5 | 7 | 4 |
| 7 | 4 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 1 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 6 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-808**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | |
| | | | | 2 | | 5 | | |
| 9 | 8 | | 4 | | 7 | | | 6 |
| | | 2 | 5 | 4 | 1 | 6 | | |
| | 4 | | | | | 9 | 1 | |
| | | | 9 | | 8 | | 5 | |
| 4 | | | | | | | | 9 |
| | | | | 6 | | | | |
| 7 | | 3 | | 5 | 9 | 1 | | |